# হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


থিয়েটর সেন্টর মণিপুরনা শীনবা ফেষ্টিবেল ওফ রিচুয়েল নেরেটিব এন্দ পার্ফোমিং আর্টস ওফ মণিপুর-২০১৭ হৌদোকপা থৌরমগী শক্তম



থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকাইদা লৈবা প্রো. যোধচন্দ্র সনসমগী ময়ুমদা পাঙথোকপা ট্রান্সলেটর্স ফোরম মণিপুরগী ৪ রকশুবা মপোক কুমওন থৌরম



থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীগী মীখলগা মরী লৈননা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরম



শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীদা বি জে পিগী টিকেট তান্নরম্বা ঙাঙবম রোবার্টনা হন্দক্কী মীখল অসিদা মীরেপ ওইররোই হায়না মীয়ামদা লাউথোকপগী থৌরম




Vol. 40, Issue No.307 | নিংথৌকাবা, ফাইরেল ১৮নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, February 13, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


**অ ঈং-অশাগী পাউ**

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২০.০৪ °C | ৯.৩২ °C |
| চান্দেল | এন এ °C | এন এ °C |
| সীসীপুর | ১৯.১৭ °C | ১১.২৬°C |
| ইম্ফাল | ১৯.২৭ °C | ৭.৩০ °C |
| সেনাপতি | এন এ °C | এন এ °C |
| তমেংলোং | ২০.৯৭ °C | ১০.০৭°C |
| থৌবাল | এন এ °C | এন এ °C |
| উখ্রুল | ১৫.৬২ °C | ৭.৭০ °C |
| মণিপুর | ২৩.০৩ °C | ৭.৩০ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৪৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০৮
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## ব্লোকেদনা নাগা পিছ টোক্তা কায়রকপা য়াই : আর এন রবি

### ‘সেন্টরগী পেন্দবা ৱাফম আই-এমদা খঙহনখ্রে’

গুৱাহাটি, ফেব্রুৱারি ১২(এজেন্সী) : সেন্টরনা ইকনমিক ব্লোকেদকী মতাংদা লুম্না লৌবগা লোয়ননা চথরিবা নাগা পিছ টোক্তা থৌওং অসিনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না অকনবা ৱাফম থমখ্রে।

ব্লোকেদকী মতাংদা ফাওরিবা সেন্টরগী পেন্দবা ৱাফম পুম্নমক নেসনেলিষ্ট সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম-আইজাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গী লূচিংবশিংদা ময়েক শেংনা খঙহনখ্রে হায়রি।

*অসাম ত্রিব্যুন*গা ৱারী শানবদা নাগা পিছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা আর এন রবিনা হায়খি মদুদি, মীখল পাঙথোক্কদৌরবা মণিপুরদা হৌজিক চথরিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা নাগা পোলিটিকেল টোক্তা অচৌবা শাফু অমা পীরকপা য়াই। ব্লোকেদনা মরম ওইরগা অৱাং নোংপোক্তা খুন্দারিবা নাগা অমদি নাগা নত্তবা ফুরুপশিংগী মরক্তা চাউনা লাপথোক্রুহল্লে। মরম অদুনা নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়াই।

নাগাগী পোলিটিকেল ইস্যু নাইতোম ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা রবিনা হায়খি, নাগালেন্দগা য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী ৱা তাবা মথৌ তাই। য়ুম্লোন্নরিবা ষ্টেটশিংগী পূক্নিংগী ওইবা ৱা থৌশাদনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী ৱারোইশিন পুরকপা ৱানা থোক্কনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ইকনমিক ব্লোকেদকী মতাংদা এন এস সী এন (আই-এম)না লৌরিবা ফিরেপ্তা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা মিলিটেন্ট



গ্রুপ অসিগী লূচিংবশিংনা লৌরিবা ফিরেপ হোংদোক্তবা তারবদি নাগা পিছ টোক্তা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

ফেব্রুৱারী ৩দা পাঙথোকখিবা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরমদা য়ানবা ৱারোইশিন অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈখি অদুবু থোইদোক্না কান্নবা ফংখিদে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা অনীরক হন্না ৱারী শানখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমদ্রি। মতৌ অসুম্না খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্লোইদবা মওংদা ৱারী শানদুনা লৈরবদি পিছ টোক্তা অকায়বা লাকপা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াবদি, এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না লূচিংলগা মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে অনীমক্তা ইকনমিক ব্লোকেদ চথদুনা লাকখিবনি। ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরগা মহৌশাগী পূন্সিদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগা...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## য়ু এন সীগা কনানা ঙমগে য়েংনরগনি : সী এম

### আই-এমগী মাউথপিছ ওইরিবা এন পি এফকা বি জে পিগা চৎমিন্নরি : গাইখাঙম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না মণিপুরগী মীয়াম ওৎ-নৈবসি খাঙবা য়াবা খাঙলবনি, হৌজিক্তি খাংবা ঙম্বগী পানখে লাপ্তোকখ্রে। বি জে পিনা মীচঙ চঙলগসু কনানা ঙম্বগে য়েংনরগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলবন্দ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সী (এ সী)দা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইরিবা আর কে ইমোগী ঙসি ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মীয়ামগী য়াইফনবা য়েংলগা লৈঙাক্না অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট তরেৎ শেম্বদা য়ু এন সীনা নাগাগী পারি-পুরিগী লম শোকই, চৎনবা য়ারোই হায়রিবসি তাবা ঙমদে। ষ্টেট অসি ফুরুপ কয়া পুন্না খুন্দামিন্নরিবনি। ফুরুপ অমত্তগী লমনি হায়বা য়ারোই।

ঙরাং ফমখিবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি)গী মীফমদা য়ু এন সীবু অনলোফুল ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোক্লবা ৱারেপ লৌখিবা অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা থবক লৌখৎপীনবা চে থাখিবা লৈখ্রে হায়নসু মখা তাখি।

লমগী অশেংবা মপুদি লৈঙাকনি। লৈঙাক্না তঙাইফদবা লৈরকপদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসন পীরগা লৌশিল্লি। মসিমক্না লমগী মপু লৈঙাকনি হায়বা তাক্লিবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ঐগী লম হায়না য়াম্না তোয়না পল্লগা ৱা ঙাঙলকপসি তাবা য়াম্না ৱায়। অসুম্না মণিপুরসি মখোয়গী রেন্সমদা খুদুম চল্লগা থল্লি। মীয়াম্বু ওৎ-



নৈবগী থৌওং লেপ্তুনা চথরকপদগী খাঙবা ঙল্লক্তদুনা চপ চানা থেংনরগে হায়বা ৱারেপ অসি লৌরকপনি। মসিদা বি জে পিনা য়ু এন সীগী মীচঙ চঙলবসু হৌজিক্তি কনানা ঙম্বগে হায়বা য়েংথোক্লবগী মতম লাক্লে।

মহাক্না হায়খি, মণিপুরগী ঙমখৈ অমসুং অপুনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা বি জে পিনা লূচিংবা সেন্টরগী লৈঙাক্তি লায়রদনা মালেমগী মপাঙ্গল লৈরবা লৈবাক অমনা মসি তৌগদবনি হায়রবসু কোংগ্রেসকী ওইনদি শুকয়া য়ারোই।

কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা ফীভম পুরক্কদবা পার্টি লৈতে। মণিপুরগী টেরিটোরিএল ইন্তিগ্রিটি কোংগ্রেস খক্তনা ঙাক্কনি। ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা হিংমিন্নবা অমসুং হান্নদগী নুংশিনবা হোৎনরকপা কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তদা লৈঙাক পায়রকপা ঙম্লোই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা হায়খি, সেন্টরদা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক্তা এন পি এফনা শৌগৎলি। মণিপুরগী তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তসু বি জে পিনা এন পি এফকা খুৎশিন্নরগা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল শেম্মিন্নরি। মরম অসিনা বি জে পিগা এন পি এফকসি নক্লবা মরী লৈনৈ।

এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং মসিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসন অমগুম্না থবক তৌরিবা য়ু এন সীগা কোংগ্রেসকা হীরম অমত্তদা চৎমিন্নখিবা লৈতে। কোংগ্রেস পার্টি নত্তনা মীয়ামগা লোয়ননা টেরিটো-রিএল ইন্তিগ্রিটি ঙাকপা ঙমগদবা পোলিটিকেল পার্টিসু লৈতে। বি জে পিনা এন এস সী এন (আই-এম)গা চৎমিন্নৈ হায়বসি আই-এমগী পোলিটিকেল মাউথপিছ ওইরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্টকা পুন্না চৎমিন্নরিবসিনা তাক্লবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

শগোলবন্দ এ সীদা কোংগ্রেসকী মীরেপ ওইগদৌরিবা আর কে ইমোনা হায়খি, মণিপুরগী লৈঙাক নুমিৎ নীনিখক্তং বি জে পিদা শিন্নৌ, ব্লোকেদ লৌথোকপীগে হায়খিবা পার্টি অসিনা মীৎয়েং চঙলবা ফাওবদা ব্লোকেদ হন্দোকহনবা ঙমদ্রে। মসিনা তাক্লিবদি...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## ট্রান্সলেসন ফোরমগী মপোক কুমওন

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ : ট্রান্সলেটর্স ফোরম মণিপুরগী ৪ রকশুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকাইদা লৈবা প্রো. যোধচন্দ্র সনসমগী ময়ুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা শক্লাইরবা ক্রিটিক সলাম তোম্বনা অথোয়বা মীথুং, ট্রান্সলেটর্স ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রো. যোধচন্দ্র সনসমনা থৌরম মপু অমদি সাহিত্য একাদেমী এৱার্দি আর কে ভুবোনস্নানা অখন্নবা মীথুং ওইখি। শক্লাইরবা ট্রান্সলেটর তায়েঞ্জম বিজয়কুমারনা শৈদিন পুরেন ওইদুনা মীওই ২০ না শরুক য়াদুনা মণিপুর অমদি ইংলিসতা শৈরেং পাথোকখি। থৌরমদুগী অথোইবা মীথুং ওইখিবা সলাম তোম্বনা হায়খিবদা, মণিপুরদা শক্লাইরবা অইবা জি সী তোংব্রা, এলাংবম নিলাকান্ত নচিংবা মীওই কয়া পোকখি। মখোয়না পুথোকখিবা লাইরিক্তগী...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## লাইরিক ২ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২: নোংচুপ হারম খোর্জে লুপকী সিলভর জুব্লিগী থৌরম মনুংচন্না লেপ্তুনা চথরকপা লাইরিক ফোংবগী থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখ্রে। ঙসিগী থৌরম অদুদা ৱাহেংবম রোমেন মীতৈনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক অনী *খুলসিগী ৱারেপ্পী* অমদি *অমম্বনা ঙাইরিবা অঙানবা* (মীতৈ ময়েক্তা ইবা) কৌবা লাইরিক ফোঙখ্রে। লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদুদা সাহিত্য একাদেমী ট্রান্সলেসন এৱার্দি সঞ্জেনবম ভানুমতি, নোহাখোলগী প্রসিদেন্ট গৌরো থোঙামচানা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি। ডা. কোইজম সান্তিবলা অমদি কোঞ্জেংবম হেমচন্দ্রনা লাইরিক অনীদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি। মখা লামায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## মীয়াম ৱাহনবগী তেকচাক ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী বি জে পি লৈঙাক্না পুগদবনি : দি’রাজা



থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

ইকনমিক ব্লোকেদনা মীয়াম ৱাহনবগী তাকচেক পুম্নমক চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা লূচিংবা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা লৈঙাকপা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়না সী পি আইগী নেসনল সেক্রেটরিসু ওইরিবা দি’রাজানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাংজিং-তেন্থা এ সীদা সী পি আইগী মীরেপ ওইরিবা হাওবম রোবিন্দ্রো এলিয়স রোবেনগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা এম পি দি’রাজানা মখা তানা হায়খিবদা, ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা মীওই লীশিং কয়া পেট্রোল অমসুং দীজল লিটর খরগীদমক ক্য লেপ্তুনা অৱাবা খাংলিবসি অঙকপা পোকই।

মণিপুরগী মীয়াম ৱাবনা খম থেংলে, ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না ফংলিবা ফংফম থোকপশিং মণিপুরগী মীয়াম্না নিংথিনা ফংবা ঙমদ্রে। নোংমদা চঙবা তঙাইফদবা পোৎলম কয়া মীয়াম্না অৱাংবা মমলদা লৈরগা শীজিন্নরি। হীরম খুদিংমক্তা অৱাবা ঙাক্তা মায়োক্লরিবা অসিগী থৌদাং পুম্নমক ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকীনি হায়নসু মখা তাখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অসি শাজৎ চপ মান্নে। করপ্সন হায়বসি মখোয়গী পোকপদগী য়াওরক্লবনি। মরন্নাইগী মওংদা লৈবাক ঙাকপদগী মণিপুরগী মীয়াম অৱাবা নংবনি, ফংফম থোকপশিং ফংদবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লেফট এন্দ দেমোক্রেটিক ফ্রন্টকী কনভিনর ডা. এম নরনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক লৈরিবা...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## রোবার্ট মীরেপ ওইদনবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচ এন এস):

শিংজমৈ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী বি জে পিগী টিকেট তান্নরম্বা ঙাঙবম রোবার্ট লাক্লিবা ১১ শুবা এসেমব্লী মীখল অসিদা মীরেপ ওইদনবা ঙসি মহাক্কী য়ুমদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে।

ইলেক্সন কম্মিটি ওফ ঙাঙবম রোবার্টনা শীল্লগা চিঙামথক্তা লৈবা মশাগী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ঙাঙবম রোবার্টনা হায়খি, লাক্লিবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীগী মীখল অসিদা বি জে পিদগী টিকেট তান্নখি।

বি জে পিগী টিকেট ফংদ্রগদি মীখল অসিদা মীরেপ ওইরোই হায়না মমাঙথক্তা লাউথোকখিবা ৱাফমশিংবু ঙাক্না চৎনবা শিংজমৈ এ সীগী মীয়াম অমদি পোলিটিকেল এদভাইজরশিংনা পাউতাক পীবীরকখি। মীখলদা মায় পাকহনগদবা...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## লোনা য়াদবা ওর্গনাইজেসননি হায়রবদি লৈঙাক্না করিগী ৱারী শানরিবনো : য়ু এন সী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস):

কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) না য়ু এন সীবু লোনা য়াদবা ওর্গনাইজেসন্নি হায়না লাউথোকহন্নবা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টদা রিক্কমেন্দ তৌখিবগী মতাংদা মণিপুরগী নাগা মীয়ামগী ওইবা ৱাখল্লোন থল্লক্লি।

য়ু এন সীগী জেনরল সেক্রেটরি এস মিলন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল হায়বসি মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগাশিংগী এপেক্স বোদিনি। নাগা মীয়ামগীদমক্তদি আইদের্ন্টিদি, কলচর অমসুং নাৎকী ওইবা থবক থৌরমশিং য়াম্নমক মরু ওই। মণিপুরদা খুন্দারিবা নাগা খুদিংমক ত্রাইব, ভিলেজ, ক্লান অমদি ফেমিলিগী খুথাংদা য়ু এন সীগী মেম্বর ওইরিবনি। করিগুম্বা য়ু এন সীবু অনলোফুলনি হায়বা তারবদি নাগা পুম্নমক লোনা য়াদবা মীশক ওইগদৌরিব্রা হায়না চেরোল অসিনা হংলক্লি।

চীফ মিনিষ্টর ইবোবীনা লুচিংবা কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টি (সী এল পি) না ষ্টেট অসিদা খুন্দারিবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী লৈঙাক থৌদাং লৌরি হায়না ক্লেম তৌজরবসু ফেব্রুৱারি ১১ দা সী এল পিনা পীখিবা রিক্কমেন্দেসন অদুদগী কাঙলুপ নায়বা সী এল পিগী মওং মতৌ অমুক্কা হন্না উৎথোকচরে।

য়ু এন সীবু লোনা য়াদবা লুপনি হায়না লাউথোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা চেরোল অসিনা হায়, করিগুম্বা য়ু এন সীনা অনলোফুল ওর্গনাইজেসন ওইবা তারবদি সী এল পিনা চল্লায়বা মণিপুর লৈঙাক্না করি মরমগী হৌখিবা ফেব্রুৱারি ৩ দা য়ু এন সী য়াওনা নাকল অহুমগী ওইবা ৱারী শানবগী থৌরম পাঙথোকখিব্রনো অমসুং মার্চ ২৫ দা মথং রাউন্দগী ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরিবনো হংলক্লি।

মণিপুরগী লম খুদিংমক ষ্টেট গভর্নমেন্টকীনি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবগী মতাংদা চেরোল অসিনা হায়, কুমজা ১৯৬০ গী এম এল আর এন্দ এল আর এক্ট চীংগী লমশিংদা চৎনদে। চীংদদি ত্রাইবেলশিংনা ইপা ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা লমগী মপু ওইজৈ। তোঙান তোঙানবা নাগা ওর্গনাইজেসনশিংগা সাইন তৌনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং অহুম ইকায়খুম্নবিদে।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা পীখিবা থাজবা পুম্নমক্কী ৱাংমদা ইবোবী অমসুং সী এল পিনা লৈঙাকপদা খুদোংচানবনি হায়বগী মীংদা ত্রাইবেলগী লম খোপচিন্নবা অমসুং মীয়াম্বু মশাগী লমদগী লাপথোকহন্দুনা মরী তৎন-হন্নবা অমসুং লম মপুশিংগী খুদোংচাবা মাঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লি। থৌরাং অসি লৌখৎলমদাইদা চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা হিল এরিয়া কম্মিটি তান্নরম্বা তৌদে। মখা লামায় ৩ কলম ২

## ষ্টেটনা ব্লোকেদ হাংদোকপা ঙমদ্রগদি পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং এয়রলিফটিং তৌগনি : জাবদেকর

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২(ঐচ এন এস): ব্লোকেদ হাংদোক-হন্নবা সেন্টরনা থাখিবা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং ষ্টেট লৈঙাক্না থবক পাঙথোক্লবা অয়াবা পীদবদগী বেরেক্তা থমদুনা লৈরে হায়না য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা ঙসি কক্ৱাদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী মীরেপ ওইরিবা ও জয়গী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা য়ুনিয়ন ঐচ আর দি মিনিষ্টর প্রকাশ জাবদেকরনা হায়খি, মণিপুরদা হৌখিবা চহী ১৫ রোম কোংগ্রেস লৈঙাক পায়রকপা অসিদা মীয়াম্না অৱাবা কয়া থেংনরি। থক্লবা অফবা ঈশিং পীবা ঙমদবদগী অয়াম্বা মফমশিংদা মীয়াম্না লন্নাই ওইনা ঈশিং টেঙ্করদগী ঈশিং লৈরগা শীজিন্নরি। হীরম কয়াদা শোত্থরবা ফীভম অমদা লৈরি।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক মতম শাংনা ব্লোকেদকী অৱাবা মায়োক্লরি। ওইরিবা ফীভম অসি ষ্টেট লৈঙাক্না থোকহনবনি। সেন্টরগী মায়কৈদগী পেরামিলিটরি ফোর্স কম্পেনি ১৭৫ রোম থাজিনখ্রবনি। ষ্টেট লৈঙাক্না অয়াবা পীদবদগী পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অসি বেরেকতা থমদুনা লৈরি। ইকনমিক ব্লোকেদ হাংদোক্লবা লৈঙাক্না চপ চানা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎতে।

অসিগুম্বা ফীভম অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবা ব্লোকেদ অসি চথদুনা লাক্লিবনি। সেন্টরগী মায়কৈদগী ষ্টেট অসিগী অৱাবা য়েংলগা পোৎলমশিং পুশিন্নবা মীৎয়েং থল্লি। পোৎলম কয়া এয়রলিফট...মখা লামায় ৩ কলম ২

## অমুকো লিংখৎখিবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২(ঐচ এন এস) :

ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) লিংখৎখিবগী ২৪রকশুবা থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা ঙসি পাঙথোকখ্রে।



অখাম লৈকায়গী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাইনা চীফ গেষ্ট, অমুকোগী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা থৌরমগী প্রসিদেন্ট, লূপ অসিগী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট এদভোকেট খাইদেম মণি অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট কে টি রহমন, হান্নগী প্রসিদেন্ট জগৎ থৌদাম, জেলিয়াংলোং এসোসিএসন (নাগা-লেন্দ, মণিপুর)গী ভাইস প্রসিদেন্ট চন্দ্র হাওমৈ অমদি কুকি ইনপি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থাংখোসৈ হাওকিপনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাঙ্খেমচা শমজাইনা হায়খি, লমদমসিগী লূপশিংদা অচৌবা থৌদাং য়ারম্বশিং তোঙান তোঙানবা শিনফমশিংদা চৎনখ্রবা তুংদা মখোয়না থবক তৌরম্বা ওর্গনাইজেসনশিংদা মীৎয়েং চঙদবগুম্না উই। মীয়ামগী থবক তৌরিবা লূপশিংবু মপাঙ্গল কনখৎ-হন্দুনা হেন্না চাউবা থৌদাংশিং লৌবদা হান্না থবক তৌরম্বশিং অমসুং মীয়াম্না মতেং পাংবীবা চঙই।

গেষ্ট ওফ ওনরগী ৱারোল পীরদুনা থাংখোসৈ হাওকিপনা হায়খি, লমদমসিদা লৈরিবা মীয়াম্না থবক তৌবদা মতম চানা তৌবগী হৈনবী লৈনদে। থানখিবা মতমশিং ঙাক্না থবক তৌবা...মখা লামায় ৩ কলম ৭






**HL POLL**

**Q: Leibak asigi lawgi matung inna Manipur-da Nagagi lam haiba ama lei haina louba yabra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : UNCbu unlawful organisationni haina laothoknaba leingakna hotnaribasi oithokkani haina khanbra?**

Yes 48% No 52%

**অস! লোইরেহে!**

থবকসু কারে, শক নুংশিদবা ময়ামদা অফাওবা শাবসু নুংঙাইরে...!



পীখিবা শেলদুদি করমকান্দা হঞ্জিনবা!